ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




Vol. 49, Issue No. 177 | নোংমাইজিং, মেরাগী ৬নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, September 28, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## দিমাপুররোমদগী পুশিল্লকপা পোৎ চৈগী মমল ইম্ফাল য়ৌরকপদা অতিয়া পক্লা ৱাংলিবসি মাওদগী ইম্ফাল ফাওবগী মরক্তা ইল্লিগেল টেক্সশিং লৌবদগীনি



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা হৌরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা ষ্টেট অসিগী মরু ওইবা লাইফ লাইন অনী ইম্ফাল-দিমাপুর (এন ঐচ-২) অমসুং ইম্ফাল-জিরিবাম (এন ঐচ-৩৭) লম্বী অনীসিদা মহৌশাগুম্না পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌবা মখল কয়াগী গাড়ীশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মশীং খংহন হন্থরকখিবগা লোয়ননা মণিপুর মীয়ামগী অনা-লায়েংগী হীদাক-লাংথকশিং য়াওনা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌরিবা ত্রকশিংগী মশীং হন্থ্রবসু হৌজিক ফাওবদা মরু ওইনা এন ঐচ-২দা দিমাপুর ফাওদুনা মপান দগী পুশিল্লকপা পোৎ চৈশিংগী মমল ইম্ফাল য়ৌরকপদা অতিয়া পক্লা ৱাংলিবা অসিগী মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা অমদি মাওদগীনা ইম্ফাল ফাওবগী মরক্তা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফম ১৬ লোমদা লৌফম থোক্তবা টেক্সশিং লৌবদগী ওইরল্লে।

হীরম অসিগী মতাংদা এন ঐচ-২দা মণিপুর মীয়ামগী মখল পুন্নমক্কী পোৎ চৈশিং পুথোক-পুশিন তৌরক্লিবা মীওই অমনা পাউচে অসিদা হায়, ঐহাক্না দিমাপুরদগী পুরকপা লৈঙোই কলাপহারদা থাদবা মতমদা ত্রক লোদ অমদা লুপা লিশীং ৩৬ লৌই। অদুবু করিগুম্বা লৈঙোই অসি ইম্ফাল য়ৌরবা মতুংদা তম্পাক্কী মফম অমদা থাদবা মতমদদি লুপা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## রিমসতা লৈখিদ্রবী মঞ্জুগী ৱাথোক মনুংদা লোইশিন্নবা য়াইতোং-খমদোংবা খরনা খূৎ থিংজিল্লব্রা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** অঙাং উনবগীদমক থা অসিগী ১৬তা রিমস হোস্পিটালদা এদমিট তৌরল্লবা মতুং থা অসিগী ২০দা মচানুপী অমা সিজরিয়ন সেক্সনদা ফংলগা দেলিভরি রুমদগী ৱার্দতা থোরক্তুনা মচাগী মবুক ইল্লম্লবা মতুং নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ৫.৩০ খরা হেল্লকপদা 'পোষ্টপার্টম হার্মোরেজ' তৌরক্লে হায়রদুনা অমুক হন্না ওপরেশন তৌরবা মতুংদা আই সী য়ুদা থল্লকপদা মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ২১গী অয়ুক অঙনবা পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা ডাক্তরনা 'লৈত্রে' হায়দুনা পাউ পীরকখিবী লিলোং চজিং অৱাং লৈকায়দগী নোংথোম্বম নিঙোল চীংশুবম ওংবী মঞ্জু (৩৬) মপুরোইবা সী ঐচ নিরনগী মীশিগী মতাংদা লৈবাক ৱাথোক ওইরক্লিবা ফীভম অসি লাকশিন্নবগীদমক মশক নাইবা য়াইতোং-খমদোংবা খরনা খূৎ থিংজিল্লক্তুনা হোৎনরল্লব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

থৌদোক অসি থোকখিবদগী পাউচে অসিনা মখা তানা ওইরকপা ফীভমশিং য়েংশিন্দুনা লাকখ্রবা মতুং ঙরাং লম্ফেল পি এসনা থৌদোক অসিগী মতাংদা 'অন-নেচরেল দেথ' গী কেস অমা (নম্বর ১৮ ওফ ২০২৫) অন্দর সেক্সন ১৯৪ বি এন এস এস এক্ট-২০২৩ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

চীংশুবম ওংবী মঞ্জুনা থা অসিগী ২১গী অয়ুক অঙনবদা রিমসকী আই সী য়ুদা লৈখিদ্রবসু পুলিসকী মায়কৈদগী সুও মোটুদা কেস লৌখৎলকখিদবনি। ফীভম অসিদগী থা অসিগী ২৫দা লৈখিদ্রবীগী মপুরোইবনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা পুলিস ষ্টেশন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মোরেদা কম্মান্দো পর্সনেল ২ হাৎপগী কেসতা এন আই এনা ফাখিবা থাংমিনলেন মাতে গৌহাটি হায় কোর্টনা বেল পীখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস):** মণিপুরগী লান হৌরকখ্রবা মতুং জন্যুৱারী ১৭, ২০২৪গী নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা মোরে কৈথেলগা ইরাপ লাপ্পদবা মফম অমদা কুকি টেররিষ্টশিংনা চথুরকখিবা এটেকতা কম্মান্দোগী দল্লিয় সোমোরজিৎ মৈতে অমসুং তখেল্লম্বম সৈলেশ্বর ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' তানবা য়াওবা এম এল এ ১ দিসক্কালিফাই তৌবীনবা গভর্ণরদা লমায় ৬৩ পানবা এফিদেভিট পীশিনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস):** মণিপুরদগী লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন/য়ুনিয়ন টেরিটরি' পীগদবনি হায়দুনা ফোংনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংদা অইবা চেরোল কয়ারক পীশিন্দুনা তানবদা য়াওরক্লিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী কুকি-জো ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মখূৎ লেংলুবা অঙাং ২ ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস):** শেমজিন-শাজিনবা ছুটিগী ওর্দর থোকপগী মায়োক্তা স্কুল এদ্যুকেশন দিরেক্টোরেটনা কমপ্লেন্ট তৌরকপগী মতুংইন্না পুলিসনা জুবেনাইল ওইরিবা নুপামচা অনী ফারগা জে জে বোর্দতা পুথোল্লবা মতুংদা ওবজ র্ভেশন হোমদা থল্লে হায়রি।

## নোংমৈগা কোন্ননা ২ ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা কে সী পি- নোয়োনগী কাদর অনী ফারে। মখোয়দগী মেগজিনগা কোন্নবা পোইন্ট ৩২গী পিষ্টোল অমা, মোবাইল ফোন অনী ফংলে হায়রি।

ফারবশিংদি লিলোং তুরেল অহনবী মথক লৈকায়দগী এম দি মুজিবুর রহমন (৪৪) অমসুং নাওরেম লৈকায় লিৱা লম্বী ইমোইনু লৈরক্তগী সোরেনশংবম বুংচা এলিয়জ ৱিন্নরনি হায়রি।

## মাই কখুলোং মাই প্রাইদ

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস):** পাওনা কৈথেলদা লৈরিবা কখুলোংদা 'মাই কখুলোং মাই প্রাইদ হায়বা পান্দমগী মখাদা নন-কম্যুনিকেবল দিজিজ শিংগী ফ্রী হেল্থ চ্যেক-অপ অমা পাঙথোক্তুনা হীদাক লাংথকশিংসু লেম্না য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

## দেঙ্গিগী অনৌবা কেস ৪৫

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাংৱাইরম হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা রিপোর্টতা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দেঙ্গিগী পোজিটিভ কেস ৪৫ থেংনরে হায়রি।

অনৌবা কেসশিং অসি থারগা ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থেংনবা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস মশীং ১,৪২৭ শুরে হায়রি।

## য়ু জি অহুম ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ৱাঙু মমাঙ শাবলদগী কে সী পি - তাইবংঙানবগী হৈখাম মিলন এলিয়জ খাবা (৩২) কৌবা ৱাঙু তেরা ময়ায় লৈকায়দগী কাদর অমা ফারে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি পুলিসনা ময়াং ইম্ফাল থনা ৱাঙ্খে লৈকায়দগী খাইদেম সুনিলা (৫৫) কৌবী এন আর এফ এমগী কাদর অমা মন্ত্রিপূখ্রিগী ফ্রেন্দস কোলোনিদগী ফারে হায়রি।

লোয়ননা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা খুরাই কোন্সম লৈকায়দগী আর পি এফ/পি এল এগী কাদরনি হায়বা হৈরোক পার্ট টু লাইশ্রম লৈকায়দগী মোইরাংথেম চাউবী এলিয়জ য়াইমা এলিয়জ লনথোইবা এলিয়জ কুমার কৌবা কাদর অমসু ফারে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## খুরখুলগী কম্যুনিটি হোল, ক্রিমেটোরিয়ম অমসুং পব্লিক টৌইলেট ইভিক্সন তৌবা ঙমখিদ্রে

### পুলিসনা ঙাক্লগা ইভিক্সন তৌবা হৌরকপদা মীয়াম থোমজিল্লক্তুনা থিংবদগী ঙমখিদবনি



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশননা থোকপা নোটিফিকেশন অমগী মতুংইন্না খুরখুল মোইবুং খুনৌগী কম্যুনিটি হোল য়াওনা ক্রিমেটোরিয়ম অমদি পব্লিক টৌইলেটপু ইভিক্সন তৌনবা পুলিসনা ঙাক শেল্লগা লাকপদা মফম অদুগী মীয়াম্না থৌওং অদুগী মায়োক্তা লেপ্পলকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা মূক্লখ্রে।

লৈঙাক্কী থৌরাং অদুগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## গঞ্জা য়াওনা দ্রগ কেজি ৩০০ হেন্না মৈ থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মণিপুরগী মফম কয়াদগী ফাগৎলকখিবা গঞ্জা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং ওইরিবা দ্রগশিং ঙসি মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে।

ঙসি মৈ থাদোকখিবা ময়াই কাবা পোৎলমশিংগী মনুংদা গঞ্জা কেজি ১৮১.৬৮৭, এস পি টেব্লেট কেজি ০.০৪৭, ব্রাউন সুগর কেজি ৮৬.৮৭১, দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কেজি ২২.১২৮, ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং হন্দোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস):** ঙরাং অয়ুক ইম্ফালদা পোৎ চৈ থাদরল্লগা সেনাপতিগী তুংজোই খুলদা লৈবা ময়ুমদা হল্লকপা ত্রক দ্রাইভর অসেপ্রি দেভিদ (৩৮) বু সপরমৈনা পি এসকী পর্সনেলশিংনা লম্বীদা খাল্লগা তমথীনা ফূরকপবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ত্রক দ্রাইভরস য়ুনিয়ননা মসিগা চৎমিন্নরিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ꯔꯥꯖ ꯃꯦꯗꯤꯁꯤꯇꯤ
**RAJ MEDICITY**
HUMANITARIAN SERVICE WITH DEDICATION
Regd. No. MNHCR/NO/060/NH/2004
IAS-ANZ | IAF
An ISO 9001:2015 Certified Multi-speciality Hospital

RM/H-17-Adv/2025/02 | Date: 27-09-2025

**POST VACANCY**

| Sl. | Name of the Post | Qualification | Experience | Vacancy |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Jr. Nursing Officer | GNM & above | Min. 1 Year | 10 |

Interested candidate can submit their resume and all the relevant documents along with 2 recent passport size photographs to the "HR Department". Last date of form submission is 03rd October, 2025 upto 4:00 p.m.

**NB: Only shortlisted candidate will be called for personal interview**

Website: www.rajmedicity.com | North A.O.C, Imphal West-795001, Manipur, India.

HL-B/9895/28

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE : TRANSPORT DEPARTMENT
### ꯄꯥꯎꯁꯟꯗꯣꯛ/PRESS RELEASE

Imphal, the 26th September, 2025

**No.M-TPT/75/2025-DoTPT-DT/3105 :** In a significant step towards revamping the delivery of public services, the Transport Department, Government of Manipur, has expanded its range of faceless and contactless services. In addition to the existing e-Driving License (eDL), e-Registration Certificate (eRC), and 31 digital services, the Department has recently launched **6 (six) new faceless services** by the Hon'ble Governor on 17th September 2025 bringing the total to 37 (thirty-seven).

2. This remarkable progress has been achieved under the guidance of Secretary (Transport), Government of Manipur, whose leadership and coordination with multiple stakeholders have enabled the successful rollout of these digital initiatives. Citizens can now access these services remotely without visiting District Transport Offices, thereby promoting efficiency, transparency, and ease of governance as part of a larger initiative under the Union Ministry of Road Transport and Highways.

3. The list of faceless/contactless services which can be availed by citizens at their convenience, without physical visit to the District Transport Offices (DTOs) or the Transport Department are as follows:

| Sl. No. | Faceless Contactless Services | Sl. No. | Faceless Contactless Services |
|---|---|---|---|
| | **Vehicle Related Services** | 19. | Application of special permit |
| 1. | Transfer of ownership in case of normal sale | 20. | Application of temporary permit |
| 2. | Transfer of ownership by succession | | **Driving License Related Services** |
| 3. | Transfer of ownership of vehicle purchased in public auction | 21. | Change of address in learner license |
| | | 22. | Change of name in learner license |
| 4. | Issue of duplicate RC | 23. | Issue of duplicate learner license |
| 5. | Change of address in RC | 24. | Learner license extract provisioning |
| 6. | Hypothecation addition / termination / continuation | 25. | Issue of duplicate driving license |
| 7. | Issue of no objection certificate | 26. | Renewal of driving license for which test of competence to drive is not required |
| 8. | Information of RC particulars | | |
| 9. | Withdrawal of application | 27. | Replacement of driving license |
| 10. | Mobile number updation (Aadhaar based) | 28. | Change of address in driving license |
| | **Vehicle License/Permit Related Services** | 29. | Change of name in driving license |
| 11. | Issue of fresh permit | 30. | International driving license (IDP) |
| 12. | Issue of duplicate permit | 31. | Surrender of CoV (Class of Vehicle) |
| 13. | Permit non-use intimation | 32. | Application for.Learner License (LL) |
| 14. | Permanent surrender of permit | 33. | Change of Photo and Signature in Learner License |
| 15. | Transfer of permit | 34. | Change of Biometrics in Driving License |
| 16. | Transfer of permit (death case) | 35. | Change of Date of Birth in Driving License |
| 17. | Renewal of permit | 36. | Change of Photo and Signature in Driving License |
| 18. | Renewal of permit authorisation | 37. | Driving License Extract Provision |

4. Alongside these services, the Department has implemented an **e-Auction system for allocation of vehicle registration numbers** across all District Transport Offices. This enables applicants to participate online in acquiring their desired numbers including fancy or premium numbers while eliminating manual procedures, minimising biases, and ensuring equitable access.

5. To enhance commuter safety, the Department has also introduced **Vehicle Location Tracking Devices (VLTDs)** under the **Nirbhaya Framework.** These devices, deployed in public transport vehicles, allow passengers in distress to raise an immediate alert by pressing a single button, thereby notifying emergency services withreal-time location details, in the first phase, **VLTDs have been successfully activated in Manipur State Transport Buses, with phased extension to all public carriage transport vehicles** across the State.

6. The Department further clarifies that it has **not appointed or authorised any private individual or third-party entity to act as facilitator or agent** for availing these services. Members of the public are advised to remain cautious, and any such unauthorised activity may be reported to the Director (Transport), Manipur at dir.transport-mn@gov.in / ddir.transport- mn@gov.in.

Sd/-
**Director (Transport), Manipur**

HL-B/9892/28




HL-B/9891/28